থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# রূপমহলগী অনৌবা প্রদক্ষন



'রূপমহল থিয়েটর' অমসুং 'মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন'- অনীসিখক্তা ঙায়শিল্লক্লে, ইম্ফাল সহরগী ময়োন্দা মশাগী লীলা উৎফম (হোল) লৈজদুনা, মীচম-মীয়াম্না পাম্নবা দ্রামা মখল অদু পুথোক্তুনা মতম শাংনা মীয়ামগী থৌগল তৌরক্লবা, মণিপুরগী থিয়েটর ওর্গনাইজেসন অহুমগী মনুংদা ঙসিসু হিংদুনা লৈরিবা। অরিয়ন-থিয়েটর, নিউ কছার রোদকী হৌফম, জিরো-মাইলদা লেপ্লিবা, ওর্গনাইজেসন অসিগী বিল্ডিং খ্বাইদই নীংথিজবা য়ূম অমা ওইনা উরবসু, থিয়েটর ওর্গনাইজেসন অমা ওইনদি মিহুল হুনবা লেপখ্রবা হকচাং অমগা পাম্ভক ওইরে। হায়নৈ- কলচরেল ওর্গনাইজেসন অমনা বিজিনেস-হাউজ অমগী মপু ওইগে হোৎনরুবই মহয়নি। খঙদে, কয়াম চুম্বনো? মতিং লৈবা তাইবং মপুদা থৌনিজরিবা। মহাক লৈরম্বা থোক্লবদি তাবীগনি শোয়দনা।

ঙসিগী ৱারেং অসি ইগে কলম পায়খৎলুরিবা, রূপমহল থিয়েটর'না কুমশি চহীগী চৈরাওবগী খুদোল ওইনা মীয়ামদা লাম্হোরকখিবা লীলা, 'ঐ নুপী থিজনীংদ্রে' হায়না মিংথোনবদু য়েংলুবদগীনি। ইজরিবসি ক্রিটিকেল এসে অমা নত্তে। ঐহাক থিয়েটর নৎত্রগা লিটরেরি ক্রিটিক অমসু নত্তে। থৌদাং অদু পায়ফরোই। খঙই ঐ। লীলা-দ্রামা য়েংবা অমদি তৌবা পামজরুবা মীশক অমা ওইনা, পর্ফোর্মেন্স অদু য়েংলুরগা পূক্লিংসিদা ফাওরকখিবা ইহুল খরদু, থম্মোয়সিদা লোৎশিন্দুনা থম্বা ঙমদদুনা পাউদম ওইনা তমথোক্লগে নীংখিবনি, ফোঙদোকফম কাখল অমা হুইয়েন লানপাউনা পীবীবসিগী তাঞ্জা লৌরগা।

'রূপমহল থিয়েটর'- 'রিঅলিষ্টিক স্কুল ওফ দ্রামাটিক থোত' অদুদা থাজজবা থিয়েটর কম্পনি অমনি। কম্পনি হায়বা ৱাহৈসি শীজিন্নবা য়ারে খন্না শীজিন্নজবনি। ওইবা/ওইদবদুনা অমনি, ৱারৌবীরোই। মণিপুরী থিয়েটরগী তাইবংদা 'রূমপহল'না পীরম্বা খুদোল, কনানসু মতৌ তম'ঙল্লোই। ইতিহাসকী লামায়দা লাচনদুনা লৈখ্রবনি। অদুবু, কল্লবা মতমগী ঈচেল'না ঙাথু-থেংথুরকপদা শোক্লোইদবা মালেমগী শক্তম করিনো? করিগী হোংলোই রূপহমল !

থম্মোয় শেংনা, ইতিং তিংনা হায়বনি- মনি য়ুম্নাম'না ইবা 'ঐ নুপী থিজনীংদ্রে' হায়বা রূপমহলগী খ্বাইদই নৌবা প্রদক্সন অসি, কম্পনি অসিনা মাঙলমচত্তা পুথোকখিবা, অয়েংবশিংনা কউঙমদনা শোন্নখিবা, মাষ্টরপিচনি হায়নবা লীলাশিংদুগী মনুং চনবা য়াবা অমা ওইদ্রবসু, অচম্বা ভাবোক্কী পূক্লিং চিংশিনবদদি ময়ায় ওইরপ মায় পাক্লগদবা লীলা অমনি হায়বদদি হায়মনবা থোক্লোই। মনি য়ুম্নামগী প্লে অসিগী 'প্লোতক্রাফ্ট', অদুক হাক্লা চেকশিন্না শেম শাদুনা, ঊচল চানা লেংশিল্লবা ষ্ট্রকচর হায়বদুদি ওইদে। শাগৎলিবা প্লোত অদু, ফিরেপ চুম্বা, মওং তাবা ষ্ট্রকচর অমা ওইহন্নবা শেমগৎলিবা ক্যারেক্তরশিং, অয়েংবশিংবু ঙাইহাক নুংঙাইহন্নবা, নোক্লিংহন্নবা হোৎনবদা পূক্লিং থিংজিনখিবনা ফিদম্নীংঙাই ওইরবা, আইদিএল-ক্যারেক্তর হায়বদু ওইহনবা ঙমদে।

'ঐ নুপী থিজনীংদ্রে'- মমিংসি হেক তাবদা খনখিবা ৱাখলনি, অতোপ্পশিংনসু খল্লমগনি... 'নুপী থিবা (য়ূম পানবা) হায়বা, লৈপাক-খুন্নাই অমদা তীল্লুরবা নুপা অমগী তৌফম থোকপা, তৌফদ্রবা থবক অসি 'ঐ' হায়বা লীলাসিগী প্রোতাগোনিষ্টিক ক্যারেক্তর অসিনা তৌনীংদ্রে হায়রিবসি করিগীনো? লীলা য়েংবা লাকখিবদু, ৱাহংসিগী পাউখুম থিবনি। লীলাসি য়েংলুরগা ফংলকখিবা পাউখুমদু পূক্লিংসিনা পেনখিদে। ওনশিন্দুনা চৈনীংলকখি- করিগী থিনীংলুরিবনো? মরম চাদবা, লোজিক য়াওদবা ৱাফম অমা ওইবদুননি। নৎত্রবদি হায়নীংলমগনি- থিয়ু, করিগী থিরোইদৌরিবনো?

লীলা য়েংবীরুদ্রিবশিংনা পাবদা চমম্নরনি, ৱারীদু শম্না লীজগে।

অচঙবা মচা নিংঙোল অহুম লৈরবা 'চাউব'না, মাগী লৈকায়, লৈরক মচিন্দুদা লৈবা, মচানুপা ময়াম পোকপা, খূৎকন পাঙ্গনবা, লম করাম্বা নুপাদুনা মঙোন্দা উশিত্তনা, ৱাঙাং কমজাও হুন্দুনা ঙাঙবদুদা খল্লকখি... 'মহাক্লা তুশোন্নরিবসি, মচানুপা য়াওদবা নুপী ঙাক্তা পোক্লুবদুননি, অতোপ্পা নুপী অমা থিরগা, মচানুপা পোক্তুনা, খূৎকন পাঙ্গন'না হিংগে, মীয়াম মাঙদা লেন্নগে'...। মথোং হুক্তবা ৱাখলদু মাগী নুপীদসু হায়দোকখি। মমিং চৎলবী, মেক-অপ-আর্টিষ্ট অমা ওইরবী মচানুপী- (মেমচা)সু খঙলকখি। মতৈ-মনাও উংখৎনবই মরম ওইরকখি। চফু-উয়ান থেঙ্গায়নবগুম লোন্দিন্নবা, নুংশিননা লৈমিন্নরিবা মতৈ-মনাও অনীগী নুংশি মরী চেৎশিন্ননবা তৌবা ফাগী ওইরমদে কনাগা, করম্না অনৌবা পুন্সি লৈপুন-শেমসিগে-পূংজা খূদিং খল্লম্মী। এক্সিদেন্ট অমই মতুংদা, 'নর্ভ'কী অশোয়বা লৈবদগী য়েৎথংবা মমিৎ ফৈজৈ চিংখ্রবী, মচানুপীগী মমান্নবী, লৈকায়দুমক্কী লৈশাবী 'শনারৈ'না নোংমা মেমচাবু মেক-অপকীদমক নেকপা লাকপদা শনারৈ'গী মমিৎ-ফৈজৈদু 'চাউব'না, 'নুংশি-কাইহৌ-মীৎচি'নি খন্দুনা মঙলান ফুরা শাগৎখি... শনারৈগা পুন্সি লৈপুন শেন্নগে। অরোনবা থম্মোয় ৱারেপ্তু মরুপ তোমালদা হৌদোক্লুই। 'নুপীদুবু কনানো' তোমালনা হংবদা পাউখুমখি 'লৈরে, মতাং চাবদা শক্তাক্কে'।


ৱাহৈগী মতেং লৌদুনা অহাঙব চেবাং অমদা, মাগী থম্মোয় নিংঙাইদু চিথি ওইনা ইথোক্লগা পীরুরে শনারৈগী মখুত্তা। লৈকায় ৱাথোক ওইরক্লে, ঊতুপ-ৱাতুপ পায়দুনা শান্থরক্লে ময়াম্না। মরু-কোক, শুনু য়াইঙং তৈদুনা খূৎগোয়নদে হায়বদুতা খাক, অদুক থীনা ঈকায়বা নংলবা তুংদসু, মচানুপা পাম্বগী নুপী লোনবই ৱাখলদু হোংবা লৈখিদে চাউবদা। হন্দক্তি মচানুপী অতোনবী মেমচাগী মতেং লৌরক্লে। লৈকায় ৱাংমা লান, মচানুপীনা মপাগীদমক, মমা অতোনবী থিননবা খোঙশাল্লক্লে। চহী লৈশিল্লক্লবী, মরৈ তৎপী লৈশাবী-শরী অমগা শকখঙনহনগনি পুরক্লে- মমা অতোনবী লাকপা হেক নোংঙানবগা, মপামদা লৈখ্রবী মমাদু লৌশিনগনি হায়বা প্রি-কন্দিসন অমগী মখাদা। নুংঙাইরিবসি- মচানুপীনা মপাগীদমক শেন্বীরিবা মমা অতোনবীদু মাগী অপোকপী মমা, মপামদা লৈখ্রবীদু ওইরম্ব'দুনি। অয়েংবশিংবু নুংঙাইহন্নবা, মরম চাবা/চাদবা, ৱাখল ইখন খন্থদনা পংই ইশিনবা, পংশেম শেমজিনবা ৱারী মাল্লক্লিবসি মতাংসিদনি। য়ুমলোন খরখক লাল্লগা লৈমিন্নরিবী শনারৈগী, লৈকায় হুপ্না খঙনরবা এক্সিদেন্ট'তগী শোয়নাইখিবই পাউ-মচানুপী, লোয়নবী, মরুপ তোমাল পুন্নমক্লা খঙনরবদু চাউবনদি তারমদ্রিবা করিগীনো? অসিগুম্বা চেকশিনফম থোকপা এরিয়াদা চেকশিনবা ৱাৎহৌবগী মমি তাবা, ইন্টেল্লেকচ্যুঅল ওদিয়েন্স নত্তবা অয়েংবশিংদদি খেন্নবা লৈতবা ৱাফম খরসি নত্তনা লীলা অসি, কম্মন ওদিয়েন্সকীদমক্তি, নুংঙাইবা মথেল অমনি। রূপমহলনা পামজবা লীলা মখলদুগীদমক য়েংলসু, মায় পাক্লবা লীলা অমনি- অয়েংবশিংনা হায়গনি।

অদুবু ঐহাক, লীলাগী মমিংসিমদি থম্মোয়সিনা খোয়দাদে হায়বসিমদি থম্মোয় শেংনা হায়নীংই। 'ঐ নুপী থিজনীংদ্রে' হায়বা খোম্থোক/খোল্লাউ অসি 'চাউব'গুম্বা ক্যারেক্তর অমনা লাউরকপা তানীংদে। লীলা অসি য়েংলুরগা 'করিগী নুপী থিনীংলুরিবনো' হায়না ওনশিন্দুনা হংনীংই।

# চাউখৎলকপগী মতুংইন্না কেন্সর

লৌশিং পুক্কে

## লায়না লায়েংবদা কান্নরবা মখল মখা কয়াগী মেথদশিং পুথোক্লরক্লি



মীওইবনা চরা হেল্লগা হকচাং শোন্থরকপগুম কেন্সর লায়নাশিংসু চরা হেলহনবা মতমদা মশা শোন্থরকপদগী তপ্না তপ্না শিথরকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

কেন্সর সেলশিংদা মচীঞ্জাক লৌশিনবগী মওং মতৌ পুন্নমক ওষ্ট্রেলিয়ন নেসনেল য়ুনিভর্সিটি (এ এন য়ু) গী প্রোফেসার ষ্টিফেন ব্রোৱর অমদি মহাক্কী কাঙবুনা খঙবা ঙল্লে। কেন্সর সেলশিংনা মচীঞ্জাক লৌশিনবদা শীজিন্নরিবা লন্বী অদু থিংজিনবা মতমদা সেল পুন্নমক চাউবা হেনগৎহন্দে অমসুং তপ্না তপ্না শিথরকই হায়বসু রিছার্চরশিংনা থেংনরকখি।

প্রোফেসার ব্রোৱরগী ৱারোল পল্লদুনা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা হায়খি, অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসিনা কেন্সর লায়েংবদা চাউনা মতেং ওইনবগা লোয়ননা কেমোথেরাপিগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা সাইদ ইফেক্টশিং চাং হন্থহনবা ঙল্লগনি।

হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা লায়েং মখল অসিদি কেন্সর সেলশিং হাৎপদা হ্বাইট ব্লদ সেল কয়াসু শিরি। মসিনা মরম ওইরদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি। অদুবু অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট মতুংইন্না মচীঞ্জাক লৌশিনগদবা লন্বী পুন্নমক থিংজিন্দুনা কেন্সর সেলশিং চরা হেলহল্লগা হাৎতোকপা মতমদা সাইদ ইফেক্ট য়াওদনা তোঙান তোঙানবা কেন্সর লায়না কয়া লায়েংবা ঙম্বগী ফীভমদা লৈরে।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা ষ্টদিশিংদি কেন্সর সেল মখল অমখক্তা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লগা চথখিবনি। অদুবু প্রোফেসার ব্রোৱরগী কাঙবুনা থেংনরক্লিবা পান্থে অসিদি তোঙান তোঙানবা কেন্সর মখল চা-কয়া লায়েংবদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি। কেন্সর সেলশিংনা মচীঞ্জাক লৌশিনবদা শীজিন্নবা লন্বী অমা রিছার্চরশিংনা থিংজিনখি। মদু ফাওবদা কেন্সর সেলশিংনা অতোপ্পা লন্বী অমদগী মচীঞ্জাক লৌশিন্নবা হোৎনরম্মী। অকোনবদা প্রোফেসার ব্রোৱর অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা লন্বী পুন্নমক থিংজিনবা মতমদা কেন্সর সেল পুন্নমক তপ্না তপ্না শিথরকপা থেংনখি।

অমরোমদা, মসচসেটস ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) অমসুং মসচসেটস জেনরেল হোস্পিটালগী রিছার্চরশিংনা পেনক্রিয়াটিক কেন্সর লায়েংনবগী মতাংদা অনৌবা পান্থে অমা পুথোক্লে। রিছার্চরশিংনা কেমোথেরাপি দ্রগশিং পেনক্রি-য়াটিক ট্যুমরদা য়ৌহনগদবা দিভাইস অমা পুথোকখি।

উচিশিংদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা হান্নগী মতৌগুম শিংলিদা কেমোথেরাপি দ্রগ কাপশিনবদগীদি অনৌবা পান্থে অসিনা শরুক ১২ রোম ইফেক্টিব ওইবা হেল্লি হায়বা খঙলকখি। রিছার্চরশিংনা অথুবা মতমদা অনৌবা পান্থে অসি মীওইবদা চাংয়েং তৌনবা থৌরাং লৌখৎলি।

এম আই টিগী ইনষ্টিট্যুট ফোর মেদিকেল এঞ্জিনিয়রিং এন্দ সাইন্সেস (আই এম ঈ এস) তা পোষ্ট দোক্টরেল রিছার্চর ওইবা লোরা ইন্দোলফিনা হায়খি, অনৌবা দিভাইস অসিনা ট্যুমর সেলশিংদা অতম্লনা টার্গেট তৌবা মরম্না ট্যুমর সেলশিং তপ্না তপ্না পীকশিল্লকই। রিছার্চরশিংনা পি এল জি এ কৌবা পোলিমর অমা শীজিন্নরগা ফ্লেক্সিবল ওইবা পোলিমর ফিল্ম অমা শেমগৎলম্মী। হায়রিবা ফিল্ম অদু পীক্লা কোনশিল্লগা কেথেটর অমদা হাপচিন্দুনা হকচাং মনুংদা অরায়বা মওংদা সর্জরিগী মতেংনা হাপচিনবা ঙম্মী। পীক্লা কোনশিনখিবা ফিল্ম অদু পেনক্রিজ হেক য়ৌখিবগা তপ্না তপ্না ফন্দোরকই অমসুং মাঙজৌননা হাপচিনখ্রবা হীদাকশিং থাদোরক্তুনা ট্যুমর সেলশিংদা এটেক তৌবা হৌরকই।

ট্যুমরগা হেক থেংনরবা মতুংদা হীদাক থাদোরক্কদবা মওংদা দিজাইন তৌখিবা মরম্না সাইদ ইফেক্ট থোকপগী চাং হন্থে অমসুং অতৈ অতোপ্পা ওর্গানশিং শোকহন্দে। রিছার্চরশিংনা উচিদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা অনৌবা পান্থে অসিনা কেন্সর সেলশিং হাৎতোক্লগা সর্জরি তৌদুনা অশিবা সেলশিং (নেক্রোটিক টিস্যু) লৌথোকপা ঙম্মী হায়বা খঙলকপনি। অনৌবা পান্থে অসিনা ফিজিকেল বেরিয়রগী শক্লোন লৌদুনা মনাক নকপা ওর্গানশিংদা কেন্সর শন্দোকহন্দে হায়বসু খঙলকখি।

এম আই টিদা হেল্থ সাইন্সেস এন্দ টেক্নোলোজিগী প্রোফেসার ওইবা ইলেজর এদেলমেন, থোমাস দি অমসুং ভর্জিনিয়া কেবোটনা হায়খি, নৌনা শেমগৎলবা খুৎলাই অসি অরায়বা মওংদা পেনক্রিজ নৎত্রগা কেন্সর নারবা অতৈ ওর্গনাশিংদা হকথেংননা হাপচিনবা য়াবা মরম্না ওনকোলোজিষ্ট অমসুং সজ'নশিংনা কেন্সর লায়েংনবগী অনৌবা খুৎলাই ওইনা শীজিন্নবদা খুদোংচাগনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি বাইওমেটেরিয়ল জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসনদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# সী এল কেনা মাদর্স দেগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস) :

চনুরা লমচিংলেন কংলৈপাক (সী এল কে)না মালেমগী মমা ওইবীশিংগী নুমীৎ মাদর্স দেনা লাকপদা লমদম অসিদা লৈরিবা মমা ওইবীশিংগী মফমদা য়াইফ থৌজাল পীজবগা লোয়ননা পুন্নমকপু পুন্সি নুংশাংনা লৈবা ওইরসনু হায়না সী এল কেগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ পাকপী চনুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মমা ওইবীশিংনা মচাশিংগীদমক লৌরিবা শীংথানিংঙাই ওইরিবা থৌদাংশিং মচা ওইবশিংনা মপোক মপোক্তা শীংবা ঙল্লোই হায়নরিবনি। মীনুংশিনা থল্লবা ইমা ওইবীশিংনা মচাশিংবু মী ওইনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া খাঙদুনা অমদি অৱাবা লোৎশিন্দুনা মচাশিংগী মনিং থুংজনবা হোৎনবদা নীংহন্নদ্রবা লমদমসিগী মমা ওইবীশিংনি। অসিগুম্বা মমা ওইবীশিংনা লৌরিবা শীংথানিংঙাই ওইরবা থৌদাংশিং অসিবু মচা ওইবশিংনা শীংথাজবগা লোয়ননা মমা ওইবীশিংবু ঈকায়খুম্নজবা ওইনা লমদম অসিগী মরুওইবা ঈহৌ কয়াদা মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা শরুক য়ারক্লিবা অমদি লৈবাক্কীনিবু হায়রবদি নীংহন্নবা লৈতনা হোৎনদুনা লাক্লিবা ইমা মঙাদা সী এল কেনা অঙন্বা খুদোল তমদুনা য়াইফ থৌজাল নীজখ্রে হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৯।০৫।২০২২ ইং, নিংথৌকাবা;
কালেনগী ৮ পানবা।

**মেষ:** কিদবা অমদি য়েৎনবা হৈবনা পল্লম্বা শেলথুম তানশিনবা ঙমজবা নুমিৎনি। পল্লম্বা থবক পাঙবগীসু নুংঙাইজবা লৈগনি। চরাংনবা/চিন য়াংবনা মাঙজবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হোয়া ফখিনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃষ:** হৈতনা অহৈ শারবা অমদি মীতোপ্পা হায়বনা হেন্না লুম্না লৌরবদি মাঙজবতা থংগনি। অদুবু ৱাখলদি থোক্কনি, ওইজবা তানবা মায় পাক্কনি, অফবা খোংশাল লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**মিথুন:** হনবা লৈতনা হোৎনবা, মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা, অরাপ্পা মীগা লোয়নবা অমদি মীয়ামগা লোয়ননা চৎপা থবক খুদিং মায় পাক্কনি। নীংবদুমক্তি পাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থাগৎপি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কর্কট:** হরাওবা, নুংঙাইবা, শেন্দোং ফংবা, ৱাখল থোকপা, নিংহন্নদবনা পাংঙমদবা থবক পাঙবা লৈ। হন্থবা লোয়নবা/ফিংবনা মীপাইবা নংবা য়াবদি নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** অফবা থবক্তা নচাক নরল থাদবা চিংনগনু- মীংচৎ ফংগনি। পল্লম্বা অরং-অরাক ফংবগী নুংঙাইজবা লৈগনি। হৈশিংবা/লান্দবনা কান্নবসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক থোইনা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** অনিংবা থবক পাঙগনি, অফবা মফম ফংজগনি, শেন্দোং চাওনা ফংনবা খুৎচাও থাবা য়ারে। মরুপ মপাং লোয়নবা অঙম্বনা লুনা তৌবীবা হেনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** পুক্লিং পেন্না নুংঙাইজবা, হকচাংসু নুংঙাইবা, নচা-ননাই চাওখৎপা নুমিৎনি। মরম চাদনা অনম তানবদি ইমুং মহি লাঙগনি-পুক্লিং ফাথরদি শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** অশাওবনা নুংঙাইফম খংদবা, য়েক্লবনা ওৎপীবা অমদি পোরম য়াৎপদা অখং অহৈ তানদ্রদি ইকাই নুংশি য়ান্নবা থৌদোক থোকপা য়াবা লৈগনি। ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

**ধনু:** মীৱা লৌগনু, হোয়া ফগনু, লৌশিং ফুদোকপসু ৱাগনি, হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি। থৌয়াম পুগনু, নচাক নরল অমদি নক্লবা লোয়নবগী কান্নবদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইবা তনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**মকর:** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা ঙসিসু লৈগনি। নচা-ননাই চাওখৎপা অমদি পাঙনিংবা থবক পাঙবগী নুংঙাইবা লৈগনি। নোল্লুক্লা চৎলু-পাঙদবনি খনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কুম্ভ:** মীচং হেনগৎকনি, নাইতোম ৱারেপ লৌবসু লাল্লোই, ইমুং মনুংগী ৱাসু য়াম্না কান্নবা নুমিৎনি। নীংজবদুমক পাঙবনা ওইজ-ওইথক হেন্না চাওনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ-নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিন:** মতম মাঙগনি-চরাংগনু অমদি খুৎ চাওগনু। মরুপ মপাং অমদি ইমুং মনুংগী মতেংনা অফবা মীংচৎ ফংবগুম নুংঙাই। ফিংবনা কায়নগনি, ৱানোম্বা কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী ১৯৯৫-৯৮ বেটচকী এল্যুমনাইশিংনা হোপ হোমদা তেংবাঙখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস) :

তাকয়েল খোংবালদা লৈবা 'হোপ হোম' ওর্ফান হোমদা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী কুমজা ১৯৯৫-৯৮ বেটচকী এল্যুমনাইশিংনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং, চেঙ, য়েরুম, ব্লাঙ্কেট, কাংখল, সোলর লেম্প, ষ্টেস্নরিজ, সেনিটাইজর্স, সেনিটরি পেদ, বেদ সিট, পিলো কোভর্স, দিটর্জেন্ট, সোপস, টোইলেটরি আইটেমস অমদি তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে হায়না দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স ১৯৯৫-৯৮ বেটচকী প্রসিদেন্ট দিজেন মাইবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, থা অসিগী মে ৩দা শিৎলকখিবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিংনা চৈথেং ফংহনখ্রবা অদুগা মরী লৈননা হোম অসিদা মতেং পাংবনি হায়রি। দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী কুমজা ১৯৯৫-৯৮ বেটচকী এল্যুমনাইনা মখা তানা মতেং পাংগনি হায়বগী চপ চাবা ফিরেপসু লৈ হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# এফ ঈ দব্লিয়ুগী মেম্বরশিংনা অমোৎ-অকায় শেংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস) :

ফ্রেন্দলি ইনভাইরনমেন্টেল ৱারিয়র্স (এফ ঈ দব্লিয়ু) জিরিবামগী মেম্বরশিংনা কৌব্রু চীংদোল লোম্না কাখিবগা লোয়ননা চীংদোল অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা অমোৎ-অকায়শিং শেংদোকখিবগা লোয়ননা কৌব্রু চীংদোলগী উমং হেন্না ফগৎনবগী পান্দমদা উ চারা কয়াসু থাখ্রে হায়রি।

কৌব্রু চীংদোলদা এফ ঈ দব্লিয়ুগী মেম্বরশিংনা চীংদোল অদুদা তারম্বা প্লাষ্টিক, অহাঙবা বট্টলশিং অমদি অমোৎ-অকায়শিং শেংদোক্তুনা উ চারা থাখ্রবা মতুংদা কৌব্রু ইপানা য়াইফরে, কংলৈপাক্লা য়াইফরে, অশংবা মালেম অমা ওইহল্লসি, লোং লিভ অমুকো, লোং লিভ এফ ঈ দব্লিয়ু হায়বা খোল্লাওসু লাউখি হায়রি। পনবা য়াবদি, কৌব্রু ইপাগী চীংদোল কাদুনা লাই খুরুম্নবগীদমক জিরিবামদগী নুপা ৩১ অমদি নুপী ১৯ পুন্না মীওই ৫০না খোঙচৎ অসিদা লাকখিবনি হায়রি।

ꯃꯤꯇꯩꯂꯣꯟ
Resonance®
Educating for better tomorrow
Live-video Learning Program (LLP) Centre
* 45 Days Crash Course for NEET 2022
(Commencement Date - 10th May, 2022)
* 1 Year Regular Courses for NEET & JEE
* Foundation Courses for Class-IX to XII (NEET & JEE)
Commencement date-15th May, 2022
ENROLL TODAY!
*6 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
*Classes from best faculties from Resonance Kota.
Study Materials from Resonance Kota Rajasthan

PHYSICS FACULTY

Er. Sundaram Kr.
B.Tech (CSE), PGPM/MBA
More than 9 years (JEE/NEET) experience Physicist (down to earth)
Author/Speaker/Pioneer in Spiritual Psychodynamics
Member of International United Educationists Fraternity (IUEF)

BIOLOGY FACULTY

Mr. Vishal Kumar
M.Sc. (Life Science)
10 years experience as Biology faculty for NEET

MATHS FACULTY

Mr. Basant Kumar
Faculty member of Aakash Coaching Institute, Muzzafarpur
Over 25 years of experience for JEE

CHEMISTRY FACULTY

Mr. Sujal Baroi
B. Tech, Electrical Engineering
6 years experience as Chemistry faculty at Resonance, Silliguri

ADMISSION
THROUGH SCHOLARSHIP TEST
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
[Office Hour - 2:00 p.m. to 8:00 p.m.]
Nachom Edu Foundation,
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535
HL/B/7601/14, 16-24